**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 02-10-2023)**

**গান্ধি জয়েন্তি (এল)ঃ** জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধিগী মপোক নুমিৎ গান্ধি জয়েন্তিগী থৌরম ঙসি লৈবাক্কী মফম পুমমক্তা পাক শন্না পাঙথোকরি। নুমিৎ অসি জাতিগী লু-হেনবা নুমিৎ হায়নসু পালন তৌনরি।

মহাত্মা গান্ধিগী ১৫৪ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাডজেলদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়-মহাত্মা গান্ধিগী অচুম্বা অমসুং অহিংশাগী ৱাখল্লোননা মালেমদা অনৌবা মঙাল অমা পীরমখি। মহাকা লু-হেনবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা, নুপীশিংদা শক্তি পীনবা, মরোমদোম লেপচবা ঙমবা, লৌমীশিংগী হক ফংহন্নবা অমসুং শোক-শমবা য়াদবগী চৎনবী মুত্থৎনবা থবক কয়াসু পায়খৎলমখি।

রাজ্যপাল-অনুসিয়া উইকেনা মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়-মহাত্মা গান্ধিগী শান্তি অমসুং পুন্না হিংমিন্নবগী পাউজেল অদু ঙসিগী মনিপুরগী ওইরিবা ফিভম অসিদা য়াममক তঙাইফদবা ওইরক্লি। রাজ্য অসিবু তরু-তান্নবা লমদম অমা ওইহনদুনা লৈবাক পুম্বা লু-নান্না থমবগী নুমিৎ পালন অসি আর্থ থোকহল্লসি হায়নসু রাজ্যপালনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়রি।

মহাক্কী পাউজেলদা-মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-মহাত্মা গান্ধি অসি অহিংশা, নুংশি চান্ননা পুন্না হিংমিন্নবা, মীপুম খুদিংমক চপ মান্নবা, অমনা অমবু ইকায় খুমবা অমসুং ধর্ম্মদা মীচং মীখায় নায়দবগী দুত অমনি। ঙসিগী মালেম অসিদা মহাক্কী অহিংশাগী ৱাখল্লোন অদু হেন্না চুশিন্নরি।

গান্ধি জয়েন্তিনা লাকপদা মহাক্কী ৱাখল্লোন অমদি শিংনরকপা কয়া মায়োক বগী থৌওং অদুবুসু কাউফম থোক্তে হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

**বিরেন (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-মনিপুরদা থোক্লিবা

ৱাথোক অসি কাংলুপকী ইরাং অমসুং শান্তি রক্সাগী ৱাফম নত্তে। ম্যান্মার অমসুং বঙ্গলাদেসতা বেজ তৌবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মনিপুরদা লৈবা মিলিটেন্টশিংগা খুৎশমদুনা ভারতকী মায়োক্তা লাল চত্থরকপনি হায়বসি য়ামা ময়েক শেংলে।

ইম্ফালদা ঙরাং পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ৱাথোক অসি কাংলুপকী ইরাং, ধর্ম্মদা য়ুম্ফম ওইবা ইরাং নৎত্রগা অচৌবা ফুরুপ অমসুং অপিকপা ফুরুপকী মরক্তা থোকপা ঈরাং ওইনা মালেমগী মীয়ামদা উহল্লম্ শ অদু অরানবনি হায়বা হৌজিক্তি খণ্ডনরক্লে। মসি এন.আই.এনা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা ফাখিবশিংগী ষ্টেটমেন্টদা ময়েক শেংনা পল্লবা ৱাফমনি। মসিগা মান্নবা ৱাফমশিং গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ অমসুং মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা সংসদকী মীফমদা ফাওবা ফোংদোকখ্রবনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মহৈরোই অনি-লিনথোইঙম্বী অমসুং হেমানজিৎ মীহাৎকা মরী লৈননা সি.বি.আইনা চেন্নবা মীওই মরি ফারে। তমথিবা হিংশাগী থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা অকনবা চৈরাক পীনবা হোৎনবদা রাজ্য সরকারগী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি।

**খোঙজং (এল)ঃ** মহৈরোই অনি তমথিনা হাৎখিবা অমসুং মরী লৈনবা খোঙজংদা মহৈরোইশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তাথি তাওইনা তৌখিববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙরাং মফম কয়াদা পাক শন্না ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখি।

কোংপাল নুপী সমাজ অমদি ইষ্টর্ন য়ুথ কন্সত্রক্তিব এসোসিয়েসননা শিনদুনা ঙরাং ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখি। সঙাইপ্রৌ অপুনবা নুপী লুপনা সঙাইপ্রৌ নহারোল ক্লবকা খুৎশমদুনা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখি।

লংথাবাল কেন্দ্র অপুনবা মৈরা পায়বী কোওর্দিনেটিং কমিতি অমদি মাইবম লৈকাই ময়াই কম্ম্যুনিতি হোল অচৌবগী অকোইবদা লৈবা মৈরা পায়বীশিংনসু মীহাৎ অসিবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম চত্থখি।

**কার্ফিউ(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি। ককচিং জিলা অমসুং থৌবাল জিলাদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা করফিউ কোমথোক্লি।

বিষ্ণুপুর জিলাদনা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

**ইন্টরনেট(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা মোবাইল ইন্টরনেট দাটা সার্ভিস মখা তানা নুমিৎ মঙানি অমগা থিংখ্রে।

রাজ্যগী হোমগী কম্মিস্নারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-হৌজিক ওইরিবা মনিপুরগী ফিভম অসিদা খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিংনা সোসিএল মিদিয়াদা ঈরাং থোকনিংঙাই ওইবা ফোটো, ভিদিও অমদি মেসেজনচিংবা থাগৎলকপা থিংননবা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

**সেল্প(এল)ঃ** সেল্ফ হেল্প ক্লব-লৈফ্রাকপমনা শিনদুনা ইরাবত ডেগা মরী লৈননা ঙরাং লম তু শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। নুপী অমসুং মহৈরোই ১০০ রোমনা লম-তু শেংবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

**দেদ (এল) ঃ** পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা মনিপুরগী প্রসিদেন্ট-ইমা মেমচৌবী ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ইম্ফালগী সিজ হোস্পিতালদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৮৪ শুখ্রে।

মহাকা লৈখিদবদা মুখ্য মন্ত্রি য়াওনা লুচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোংদোরক্লি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ইমা মেমচৌবীনা লৈখিদবা অসি ঐখোয় পুমমক্কী ওইনা অচৌবা মাংজবা অমনি।

ইমা মেমচৌবীনা মনিপুরি খুন্নাইগা মরি লৈনবা থৌরম কয়াদা ইচং থৌনা

শরুক য়ারমখি। মদুগী মনুংদা মনিপুরদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংনবা ইহৌ, জ্ন ১৮ গী ঙমখৈ কন্নবা ইহৌ, অফস্পাগী মায়োক্তা চংশিনখিবা ইহৌ অমসুং হৌজিক থোক্লিবা মনিপুরগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা লৌরম্বা থৌদাংশিং পনবা য়াই।

মনিপুরি ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম.এস.এফ) নসু ইমা মেমচৌবীনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

**চিত্রাঃ** নুমিৎ হুমনি চত্থগদবা নোর্থ ইষ্ট ৱাটর টোল্ক টু পোইন্ট জিরো ঙরাংদগী অসামগী মাজ্লি ইথৎতা হৌখ্রে।

ঐখোয়গী পাউমী ক্ষেত্রিময়ুম চিত্রাভানুনা হায়-মীফম অসিদা মনিপুরদগী মীহুৎ ১৪ য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদগী লাকপা মীহুৎশিংনা শরুক য়ারি। মীফম মনুংদা ঈশিংগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি। মীফম অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, মীয়ামদা ৱাটর বোদিশিং ঙাক শেনদুনা থম্বগী ৱাখল্লোন হেনগৎহন্নবা অমসুং ঈশিংগা মরী লৈননা মীওইবগী পুন্সি অমদি লন-থুমশিং মাঙ তাকপদগী ঙাকথোকবা খন্ন-নৈনবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মহেরোই অনি হাৎপগা মরী লৈনবা পাউ অমা সনা লৈবাক পাউচেদা-মহেরোই অনি হাৎখিবগা মরী লৈননা কুকি নুপী অনি য়াওনা মীওই মরি সি.বি.আইনা ফারে হায়বা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক্তদা মহেরোই হাৎপদা কে.এন.এফ (জোগম), কে.এস.ওগী থৌমীশিং চেন্নরে হায়না সব হেদলাইন অমসু পীরি।

মখান খুলদা কুকি লালহৌবশিংগী এট্রেক্তা খুঞ্জাশিং মীপায়বা পোকরে হায়বা নাগা ফোরমগী ৱাফম পোকফমদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। দিল্লিদা য়ুথ

ওফ মনিপুর অমদি রাজ্য অসিগী এম.এল.এশিংগা ৰারী শান্নখিবা অদুগা মরী লৈনবা পাউ অমা পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা লামাইদা ফোংলে। পাউ অসিগী হেদলাইননা চীফ মিনিস্তর রিজাইন্দ তৌগদবনি হায়বা য়ুথ ওফ মনিপুরগী দাবী মন্ত্রি-সুসিলদ্রোনা য়াখিদ্রে হায়বসিনি।

রাজ্য অসিগী লৌমীশিংগী তেংবাংগা মরী লৈনবা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসিবু পাউচে অসিনা-এগ্রীকলচর দিপার্টমেন্টনা লুপা ক্রোর ৩৮.৬ কী ক্রোপ কম্পেসেসন পেকেজ লাউথোকখ্রে হায়না হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-সি.বি.আইনা কেস পায়বা নুমিৎ ৪০ নি শুরকপদা চেন্নবা নুপা অনি, নুপী অনি ফারে হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরগা ফারবা মীওইশিং অদুদা খ্বাইদগী অকনবা চৈরাক ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৰাফম সব হেদলাইন তৌরি।

ঙরাং মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা ইন্টরনেসনেল ডে ওফ ওল্ডরস পার্সন থৌরম পালন তৌনখি। মনিপুরদসু পালন অসিগা মরী লৈননা ঈচেল এক্সপ্রেস পাউচেগী এঙ্কর কলমদা-ইন্টরনেসনেল ডে ওফ ওল্ডরস পার্সন পাঙথোকখ্রে হায়বা কল্লর হেদলাইনদা-মীরাইবীরবা অহলশিংনা লোগী মতেং লৌদুনা মচা-মশুশিংবু ৰারকপা য়াই হায়বা সোসিএল ৱেলফিয়ার দিরেক্তর-ঙাঙোম উতমগী ৰাফম ফোংলি।

ইরৈবাক পাউচেগী মপানগী পাউশিংগী লামাইদা য়ুমলোন্নরিবা অসাম রাজ্যগী দিষ্ট্রিক্ট মরিদগী অফস্পা লৌথোকখিবগী পাউ অমা ফোংবা থেংনরে। অদুগা নহারোলগী থৌদাং পাউচেদো-ঙরাং সি.বি.আইনা মরাল লৈজদবা মহৈরোই অনিগী মীহাৎকা মরী লৈননা কুকি মিলিটেন্টনি হায়না চিংনবা মীওই মরি ফাখিবগী মায়োক্তা চুরাচান্দপুরদা পুং ১২ গী সটদাউন্দ লাউথোকখ্রে হায়বগী পাউ অমা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-কোকোমিগী স্পোক্স পার্সন-খুরাইজম অথৌবনা

য়ুনাইটেদ নেসন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলদা ৱা ঙাংখিবগী পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরদগী এন.আই.এনা ফাখিবা সৈমিনলুন গাংতে নুমিৎ নিনিগী এন.আই.এ. কষ্টদি রিমান্দ লৌখ্রে হায়বা হেদলাইনদা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা পাউ অমসু ফোংলি।

গানফিয় মেলদা-মীতৈ মহৈরোই অনি হাৎপদা চেন্নবা তরুক সি.বি.আইনা ফারে। ফাখিবা অদুগী মায়োক্তা ইন্দিজিনস ত্রাইবেল লিদর ফোরমনা মতম কক্তবা সটদাউন্দ লাউথোকখ্রে অমদি পুং ৪৮ গী মনুংদা থাদোরক্কদবনি হায়না ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-মহৈরোই অনি হাৎপদা চেন্নবা মীওইশিং ফাবগীদমক মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা সি.বি.আইবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে হায়না ফোংলি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-য়ু.এন.সিনা আমর্দ ফোর্সেস স্পিসিএল পৱারস এক্ট লৌথোকউ হায়না দিমান্দ তৌরি, মনিপুরগী ৱাথোক অসি মপানগী মিলিটেন্টশিংনা ভারতকী মায়োক্তা চথুরকপা লাননি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম অমসুং মথোং মরম খঙদনা নোংমৈ কাপখিবগী থৌওং অদুবু মখান কংলাতোংবী নাগা ফোরমনা য়ানিংদবা ফোংদোকখিবগী পাউশিংনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।